**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-04-2026)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-জিরিবামদগী ইম্ফাল ফাওবগী রেলৱে লাইন কুমজা ২০২৮ ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা লোয়শিল্লগনি।

জিরিবাম-তুপুল-ইম্ফাল রেলৱে প্রোজেক্টকী ইম্ফাল ৱেষ্টকী য়ুরেম্বম অমদি সঙাইথেলদা শেমগৎ শাগৎলিবশিংগী ফিভম মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা ঙসি চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। শ্রী খেমচান্দনা হায়-কিলোমিটর ১১১ রোম শাংবা জিরিবামদগী ইম্ফাল ফাওবগী রেলৱে লাইন অসিনা অতোপ্পা রাজ্যশিংদা চৎপদা মীয়ামদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লগনি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ার রেলৱেগী ওফিসিএলশিংগা উন্নদুনা রেলৱে ষ্টেসন অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা রিপোর্ট লৌখি। মদুদা ওফিসিএলশিং অদুনা মুখ্য মন্ত্রিদা প্রোজেক্ট অসি ইং ২০২৮ গী দিসেম্বর থা ফাওবদা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লি হায়না ফোংদোকখি।

তুংদা, প্রোজেক্ট অসিগী তনেল নম্বর ১২ গী শরুক ওইরিবা সঙাইথেলদা লৈরিবা মফম অসিদসু চৎতুনা মুখ্য মন্ত্রিনা য়েংশিনখি। অদুগা মফম অদুগী শেমগৎ শাগৎলিবশিংগী ফিভমগী মতাংদা মরী লৈনবা ওফিসিএলশিংগসু ৱারী শান্নখি।

খোঙচৎ অদুদা কোন্থৌজম কেন্দ্রগী এম.এল.এ-সাপম রঞ্জন, লমশাংগী এম.এল.এ. এস. রাজেন, চীফ সেক্রেটরি-পুনিত কুমার গোয়ল য়াওনা অতৈ সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

অমরোমদা, পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মুখ্য মন্ত্রিনা তেংনৌপল জিলাদা মহাক শোইদনা চৎকনি হায়বগী থাজবসু ফোংদোকখি।

**প্রোটেষ্ট(এল)ঃ** ত্রোংলাউবী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী থিনুংগৈদা মীয়ামনা অচৎ-অওকশিং থিংদুনা লৈরিঙৈ চৈরক্তা মোইরাংলোমদগী য়ামা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা চাকা মরি পানবা গাড়ি অনি লাকপা থেংনখি। মদুদা, মীয়ামনা গাড়িশিং অদু চেক তৌবদা গাড়িশিং অদুদা তোংলক্লিবা মীওইশিং অদুনা য়াদবদগী চাউনা মুকবা থোকখি। ইরাং অদু কনশিল্লক্তুনা খোইশাওনরবা মীয়াম অদু হৌরক্তুনা হায়রিবা গাড়ি অনি অদু মৈ থাখি। মীয়ামগী ইহৌ অদুবু লাকশিন্ননবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা টিয়ার গ্যাস সেলনচিংবা কাপ্তুনা তানখায়নবা হোৎনখি।

**কার্ফিয়ু(এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং ককচিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি। বিষ্ণুপুর জিলাগী ওইনদি কার্ফিয়ু কোমথোক্লোই।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙাদা মোবাইল ইন্টরনেটকী অথিংবা থল্লকপদু নুমিৎ নিনিগা অমুক শাংদোকখ্রে।

**চৈরাউবা(এল)ঃ** মণিপুরদা ঙসি শজিবু চৈরাউবা ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং হরাউ তয়ান্বগা লোয়ননা পাঙথোকখি।

কুমগী অনৌ অপেন, মনা-মশিং থোংদুনা ঈশ্বরগী মফমদা কৎলবা মতুং ইমুং মনুং পুন্না চামিন-থকমিন্নবনা কুম্হৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি। নুংথিলগী মতমদা মনাক নকপা চীংশিংদা কান্নখি। ময়ুম পানখ্রবী নিংঙোল ওইবীশিংনা মপামগী অহল-লম্মন অমদি মবুং মৌপৱাশিংদা ফি-রোলনচিংবা খুদোল পোৎ কয়া পীনখি।

**লোইশঙ(এল)ঃ** চহি অসিগী রাজমন্ত্রি পাবা কৌবা লাইরিক ঙসি শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দপতা পানজি-সংলাকপা ৱাংখৈময়ুম হোমেন্দ্রো সিংহনা পাথোকখ্রে।

মনিপুর পন্দিৎ লোইশঙনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মৈদিংঙু কিয়াম্বা নিংথৌগী মতমদা চৈথাখিবা হিয়াংলোইদগী হৌরগা লাকপনা মনিপুর পন্দিৎ লোইশঙগী পন্দিৎশিংনা চৈথারোল কুম্বাবদা ঙসি ফাওবা লা চন্দুনা লাকই। মসিগী মখা চথরকপা ওইনা কুমশি চহিগী ওইনসু রাজ মন্ত্রি পাবাগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখিবনি।

**ফায়র (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংবদা ঙসি জাতিগী ফায়র সার্ভিস নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোক্লি। ১৯৪৪ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা বোম্বে দোক্সতা মৈ কন্নবা হোৎনবদা থৰাই থাখিবা থৌনা ফরবা ফায়র ফাইতরশিং অদুগী মফমদা ইকাই খুমবা উৎপা ওইনা নুমিৎ অসি পালন তৌবনি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা মণিপুর ফায়র সার্ভিস দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালদা লৈবা মণিপুর ফায়র সার্ভিস হেদক্বাতরসতা ফায়র সার্ভিস ৱিক ২০২৬ কী পালন থৌরম হৌদোকখ্রে। সেফ স্কুল, সেফ হোস্পিতাল এন্দ ফয়ার সেফতি এৱার সোসাইতি টুগেদর ফোর ফয়ার প্রিভেন্সন হায়বা হীরমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা গৃহ মন্ত্রি-গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা হায়-

মার্তিয়র্স পিলরদা লৈ কৎপা, লাষ্ট পোষ্ট খোঙবা অমসুং লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকাই খুমবা উত্তুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পা, দিষ্ট্রিক্ট ফায়র সব-স্তেসনশিংদা কম্প্যুতর সেটশিং য়েন্থোকপা অমদি ফায়র ফাইতিং অমসুং রেস্ক্যু ইক্যুইপমেন্টশিং উৎপনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

থৌরম অদুদা হোমগী কম্মিস্নার-এন. অশোককুমার, স্পিপসিএল সেক্রেটরি-এস. সুভাস সিংহ, জোইন্ট সেক্রেটরি-এ. হিরা সিংহ অমদি চীফ টাউন্দ প্লান্নর-এন. বিজ্ সিংহ শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা রাজ্য অসিদা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট ফয়ার সব-ষ্টেসনশিংগী কম্প্যুটর সেটশিং য়েন্থোকখিবতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা এৱার্ড কয়াসু য়েন্থোকখি। এৱার্ডশিং অদুগী মনুংদা দিক্স এন্দ কমেন্দেসন সার্টিফিকেট য়াওরি।

পালন থৌরম অসি থা অসিগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কনি।

**অম্বেদকর(এল)ঃ** ডা.বি.আর অম্বেদকরগী ১৩৫ শুবা মপোক কুমওন পালন থৌরম ঙসি পাঙথোক্লি।

ভারত সংবিধান শেম্বদা মপুংওইবা থৌদাং লৌখিবা অমসুং লৈবাক অসিগী ইহান হানবা আইন মন্ত্রি ওইখিবা ডা.অম্বেদকরবু নিংশিংদুনা লৈবাক্কী মফম কয়াদা ঙসি পালন থৌরম কয়া পাঙথোক্লি।

মনিপুরদসু ঙসি ডা: ভিম রাউ অম্বেদকরগী ১৩৫ শুবা মপোক কুমওন থৌরম ইম্ফালগী থম্বাল শঙলেনদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ, বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী ষ্টেট প্রসিদেন্ট-এ. সরদা দেবী অমদি অতৈ লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। ডা: বি.আর. অম্বেদকরগী মীতমদা লৈ-শু কৎপনা মপুং ওইবা থৌরম ওইখি।

**নিতিশঃ** বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি-নিতিশ কুমার ঙসি ফম থাদোকখ্রে। মহাকা ফম থাদোকখিবা অদু রাজ্যপালনা অয়াবা পীখ্রে।

অদুমওইনমক, রাজ্য অদুদা অনৌবা সরকার অমা শেমদ্রিবা ফাওবা মহাকা কিয়ার তেক্কর মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ফম পুনবা রাজ্যপালনা খঙহনখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিগী ফম থাদোকখ্রবা নিতিশ কুমারনা হায়-রাজ্য অদুদা হৌজিক অনৌবা সরকার অমা লাক্লগনি। অনৌবা সরকার লাকপা মতমদসু মহাকা অদুম্মক মতেং পাংগনি। মহাকা মুখ্য মন্ত্রি ওইরিঙৈ মতমদা রাজ্য অদুগী চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎপদা মীয়ামনা মতেং পাংবীখিবগীদমক্তা মহাকা মীয়ামবু থাগৎখি।

অমরোমদা, বি.জে.পিগী এম.এল.এ.-সামরাত চৌধুরিবু রাজ্য অদুগী বি.জে.পি. লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ওইনা খনখ্রে। পাটনাদা ঙসি পাঙথোকখিবা বি.জে.পিগী লেজিসলেচর পার্টিগী মীফমনা মহাকপু মোত অমত্তা

ওইনা দলগী লুচিংবা খনখিবনি।

**ইলেক্সনঃ** নোংচুপ বেঙ্গোলদা থা অসিগী ২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগা মরী লৈননা ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে।

তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী মীহুৎশিংনা তোঙান তোঙনবা মফমশিংদা রেল্লি অমদি রোড সোনচিংবা কয়া চৎতুনা মখোয়গী পাঙ্গল শক্তিশিং অদু উৎনরি। মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য অদুগী জিলা ১৬ তা লৈবা ভোটরশিংগী পুক্নিং চিংশিন্নবগীদমক মীখল থেংনগদৌরিবা ত্রিনামুল কংগ্রেস, বি.জে.পি. অমসুং কংগ্রেসনা লুচিংবা ইন্দিয়া ব্লোক্কী কাংবুশিংনা অঙম্বী থাক্তা হোৎনরি।

ঙসিগী তোঙান তোঙানবা রেল্লি অমসুং রোড সোশিংদা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ শরুক য়াখি। ঙসি অয়ুক পুং ১১ মখায়রোম তাবদা মহাকা উত্তর বিনাসপুর জিলাগী কালিয়া গঞ্জতা পাঙথোকপা রোড সো অমদা শরুক য়াখি। মদুগী তুংদা, গঙ্গারামপুর গ্রাউন্দা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংখি।

অমরোমদা, ত্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনর্জিসু তোঙান তোঙানবা মীখলগী কেম্পেইনশিংদা শরুক য়াখি। মহাকা মেদিনিপুরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিনদা শরুক য়াখি।

কংগ্রেস লুচিংবা অমসুং লোক সভাগী বিরোধি লুচিংবা রাহুল গান্ধিসু ঙসি রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা মীখলগী কেম্পেইনশিংদা শরুক য়াখি। বিনাসপুরদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা মহাকা ৱা ঙাংখি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-থৌশিল থৌরাংশিং য়াৎপা অমদি ৱারেপ লৌবদা নুপীশিংবু মপুং ফানা য়াওহলবতদা ২০৪৭ ফাওবদা ভিক্সিত ভারত ওইহন্নবগী খোঙচৎ হেন্না মায় পাকহনগনি।

ভারতকী নারি শক্তিদা ইবা চিঠি অমদা শ্রী মোদিনা হায়-নুমিৎ নিনিগী মতুং এপ্রিল ১৬ তা নারি শক্তি বন্ধন অভিয়ানগা মরী লৈনবা য়ামা মরুওইরবা সংবিধান শেমদোকপগী মতাংদা খন্ননবগীদমক সংসদকী মীফম পাঙথোক্কনি। সভানা আইন অদু য়েৎনবা লৈতনা পাস তৌগনি হায়বগী থাজবসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোক্লি।

ভিক্সিত ভারত শেমগৎপদা হেন্না মপুং ফানা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংলগনি হায়না লৈবাক শিনবা থুংবগী নুপীশিংনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়-২০২৯ গী লোক সভা অমসুং রাজ্য বিধান সভা মীখলশিং ৱিমেন্স রিজারভেসন এক্ট মপুং ফানা চৎনহন্দুনা পাঙথোক্লবদি লৈবাক অসিগী গনতন্ত্রগী থৌওং অসি হেন্না মপুং ফাহনগনি।

**পোসানঃ** পোসান অভিয়ানগী মখাদা পোসান ত্রেক্কর এপ্লিকেসননা অঙ্গনৱাদি সেন্টর লাখ ১৪ অমসুং বিনিফিসরি কোতি ৯ লোম য়েংশিল্লি। পোসান অভিয়ান অসি মচি ওইবা চিঞ্জাক হেন্না মপুং ফানা ফংহন্নবা ভারতকী ফ্লেগসিপ মীসন অমনি। ইং ২০২১ দা হৌদোকখিবা পোসান ত্রেক্কর অসি ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং সার্ভিসশিং শিল-লাংনবগী মরুওইবা পাম্বৈ অমনি। এপ্লিকেসন অসিনা অঙ্গনৱাদি সেন্টর হাংদোকপা, নোংমগী ওইনা লাকপা অঙাং মশিং য়েংশিনবা য়াওনা অঙ্গনৱাদিগী সার্ভিসশিংগী দাটা খোমগৎপদা হেন্না খুদোংচাহল্লি।

ৱিমেন অমসুং চাইল্ড দিবলপমেন্ট মন্ত্রালয়গী মতুং ইন্না হন্দক্তা সিষ্টেম অসিনা মীরোনবী নুপীশিং, খোমচিংবী মমাশিং, চহি তরুক ফাওবগী অঙাংশিং অমদি ইনখৎলক্লিবা নুপীমচাশিংগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

**ছাতিসগরঃ** ছাতিসগরগী শক্তি জিলাদা পৱার প্লান্ট অমা পোকখায়রকপদা মফম অদুদা থবক শুদুনা লৈবা ৱাকর মরি শিরে। অতৈ ১৫ না শোক্লে।

পুলিসকী পাউনা হায়-পোকখায়বা অদুনা মরম ওইরগা কিন্থরকপা

অতেক-অকায়না ৱাকর খরা ননশিন্দুনা লৈরমগদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। অহানবা ফংবা পাউগী মতুং ইন্না পোকখায়বগী থৌদোক অদু বেদন্তা লিমিটেদ পৱার প্লান্টকী বোইলর ট্যুবতা মৈ চাক্লকপদগী থোকখিবনি। পাউ অদু হেক ফংবগা পুলিস অমসুং জিলা অদুগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীহুৎশিং চংশিনদুনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চৎথখি। অশোকপশিং অদু মনাক নকপা হোস্পিতালশিংদা পুখৎতুনা লায়েংলি। শিন্মী খরা ননশিন্দুনা লৈরম্বা য়াই চিংনবদগী মী কনবগী থবক মখা তানা চৎথরি।

**য়ুপিঃ** উত্তর প্রদেসকী লেবর মন্ত্রি-অনিল রাজবরনা হায়রি-নোইদাদা থোকখিবা হিংশাগী থৌওং অদু নিংথিনা শেম শারগা অমসুং লৌতুনরগা তৌহনখিবনি।

মহাকা হায়-হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মীরত অমসুং নোইদাদগী পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্ট মরি ফাখি। নীংথিনা লৌতুনরগা চৎথরকপা হিংশাগী থবকশিংনা রাজ্য অদুগী পাঙ্গল শক্তিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী অকায় অতোয় থোকহনবা ঙমলোই।

অমরোমদা, পুলিসকী পাউনা হায়-ঙরাং থোকখিবা হিংশাগী থবক অদুদা অতোপ্পা রাজ্যশিংদগী মীওই খরসু য়াওরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা লৈ। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা অরানবা পাউ শন্দোরকপীশিংগী মথক্তা পুলিসনা এফ.আই.আর. লৌখৎলে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মখা তানা থিজিন হুমজিনবগী থবক চৎথরি।

**রগবি** ঃ ইন্দিয়ান রগবি ফুটবোল য়ুনিয়নগী লমজিং মখাদা বিহার ষ্টেট স্পোর্টস ওথোরিতি (বি.এস.এস.এ) রগবি ফুটবোল এসোসিয়েসন ওফ বিহার (আর.এফ.এ.বি) গী মীৎয়েং মখাদা বিহারগী রাজগির স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৬ তগী পাঙথোক্কদবা নুপীগী সেনিয়র নেসনেল রবি চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

মণিপুরগী টিম অসিদা ঐচ. বোচানা মেনেজর অমদি এন.এল. সিবানি অনালনা টিম কোচ ওইনা শরুক য়ারি। মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নগদৌরিবা শান্নরোইশিংনা মায় পাকপা পুরকপা ওইরসনু হায়না এমেচর রকবি এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

**যোগাঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা মাস যোগা সেসন পাঙথোকখ্রে। মীয়ামবু মশা-মউ ফনা লৈহন্নবগী পান্দমদা চত্থরকপা ওইনা থা অসিগী ৬ তগী হৌদুনা ঙরাং ফাওবা চান্দেল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা যোগ কেম্পেইন কয়া পাঙথোক্লি। মদুদা, নুপী অঙাং য়াওনা মীওই ১৫০ রোমনা শরুক য়াখি।

**ক্রিকেটঃ** আই.পি.এল.ক্রিকেটতা চেন্নাই সুপর কিংসকা কোলকাতা নাইট রাইদরসকা হৌজিক চেন্নাইদা শান্নরি।